## এডিটোরিয়েল

# শক্তি মুন্নবদগী খায়নবা

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা পীবা হককী মতুংইন্না নুপা-নুপী অনীমক্কী চপ মান্নবা হক লৈ হায়রি। মসিদা মতম শাংনদগী চৎনরকপা ত্রেদিসন অমা ওইনা হায়বা তারগদি নুপীশিং অসি নুপাশিংগী খুদুম মখাদা হায়বদি নুপানা নৎত্রগা নুপা ময়ুম্না ঙম্না পানবা য়ুম্বান অদু ওইনা ঙসিবু মীয়াম্না লৌনরি। মতমগী মতুংইন্না নুপীনা লাইরিক তম্লগা করি কান্নে হায়রম্বদুগী মহুৎ নুপা পোকপদগী নুপী পোকপনা ফরে হায়নদুনা নুপীশিং লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্নিং থৌগৎলকপদগী ঙসিদি কম্পিটিটিব একজমিনেসনশিংদা নুপী কেন্দিদেটশিংনা নুপা কেন্দিদেটশিংদগী য়াম্না ফজনা মায় পাকপা অসি লাওথোক্লকপা রিজল্টশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মসিদগী ব্রাকিং মাদরশিংগী মশীং য়ামখৎলকপগা লোয়ননা ইমুং পুবী নুপী মশীংসু হেনগৎলক্লি। শম্না হায়রবদা চাওখৎপগী থৌরাং খুদিংদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাং হেনগৎলে অমদি নুপীশিংদা শক্তি শীন্নবা মখল মখাগী আইনশিং শেমদুনা মখোয়বু ঙাক শেন্নবা অমদি এদমিনিস্ত্রেসন্দা শরুক য়াহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদগী মখল মখা কয়াগী থৌরমশিংদা নুপীনা শরুক য়াবা ঙমহল্লে। মসিদা হৌজিক ফাওবা মায় পাক্ত্রিবা মফম অমা হায়বা তারগদি দিমোক্রেটিক প্রোসেসতা নুপী মীরেপ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌগদবনি হায়বসিনি। মসিমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চৎনহনবা ঙমদ্রি অমসুং নুপীশিংনসু পেলিটিক্সতা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। মসিগী মতাং য়ৌরকপদা নুপীশিংসু মশাগী হক খঙলকপদগী অমদি লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং ব্রাংলকপদগী গর্ভনমেন্টকী নৎত্রগা কোপোরেট সেক্তরগী মরুওইবা ইকজিক্যুটিব পোষ্ট কয়া পায়রক্লি অমদি ইমুং মনুংগী ব্রাফম থৈদোক্লগা পেলিটিকেল ফিল্ডশিংদা শরুক য়ানবা হোৎনরকই। মসিগী মতাংসি য়ৌরকপদা নুপীশিংনা মশাগী ইমুং মনুং পুবগী য়েংশিনবা মতম ব্রাৎলকপা, মপুরোইবগা লোয়নবগী চাংদা শিংনবা কয়া অমসু লাকহল্লি। মসি নুপী খুদিংমক্তা থোকপা ব্রাফমদি নত্তে হায়ববু নুপীশিংগী লিবরেল ওইবগী চাং অসিদি ব্রাংখৎলকপনা মরম ওইরগা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী থৌদোক কয়া থোকপগী চাং হেনগৎলকপনি হায়না লৌবসু য়াই। মসিদা নুপা ওইবশিংগী অশোয়বা কয়া অমসু লৈতবদি নত্তে। নুপা ওইবশিংনা শুনিংবগী চাং হন্থরকপা, চানিংবগী চাংনা হেনগৎলকপা অসিদা নুপীশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবসু ওইবা য়াই।

মতাং অসি য়ৌরকপদা নুপী নুপা অনীগী হক মুন্নরকপগী থৌদোক কয়া ইমুং মনুংদা লেপ্তুনা থোক্লকই অমসুং হক তান্নরকপদগী দিভোর্স অমদি অতৈ নুপীশিংগী রাইট তাল্লকপগী কেস মশীং অসি খংব্রাং ব্রাংখৎলকপনি হায়বা তায়। ইমুং মনুংদা য়ুম্বানমিন্নরিবা নুপী নুপা অনীগী মরক্তা মুক্নরকপা কয়া লাকপদগী অমসুং শক্তি মুন্নরকপদগী নুপা নুপী খায়নবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইমুং মনুং ব্রাথোক্লা মরী লৈনবা কেস হেনগৎলকপনি। মসিদা য়ুম্বাল্লবা নুপা নুপীশিংনা মুক্নবগী মহুৎতা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা ইমুং মনুং তংদু-লৈতাবা ওইহন্নবা হোৎনবনা খুন্নাইসিদা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। খায়নবগী মহুৎ পুন্না হিংমিন্নবনা ফৈ।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# শঙাই ফেষ্টিভেল ব্রাহস্থোক লৈরিব্রা ?

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

চহী খুদিংগী শঙাই ফেষ্টিভেল তৌরিবনি হায়দুনা মপান লমগী মীওই ময়াসু শরুক য়াররিবনি। তশেংনা শঙাই হায়বা জীব অসি সুপ্নতগী মণিপুর লমদমগী মনুংদা কৈবুল লমজাও হায়বা জাগা অসিদা য়াম্না চান্ননা লৈরিবনি। মসি পৃথিবীগী মফম অমত্তদা ফংদবা মরম্না য়াম্না মরুওইনা লৌনরিবা জীব অমনি। তশেংনা ঙসিমক পাল্লিবা সরকার অসিগী হৈশিংবা অমগী মখাদা মীয়ামদা খঙহন্নবা অতাংবা জীব অসিবু খঙহন্নবা হোৎনরকপনি। মপান লমগী অখঙ অহৈ কয়ানসু য়াম্না থব্রাই য়াওনা শঙাইগী মরমদা কুপ্না নৈনদুনা লাকইবনি। তশেংনমক শঙাই জীব অসি লমদমসিগী লৈহাও নৎত্রবদি হিংবদা য়াম্না অব্রাবা অমদি খুদোং চারোইদবা মরমশিং লৈরিবনি। অমরোমদা জীব অসিগী তোপ তোপ্পা গুন কয়া অমসু লৈরিবনি অদুবু ঙসিগী লমদমসিগী লুচিংবশিংনা খন্থবীদবা অসিনি। কৈবুল লমজাও অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা প্রজাশিংগী মরক্তা ব্রাখল য়াওদবশিং কয়ানা অসুক মমল য়াম্লবা শা মখল অসিবু লাং থাক্তুনা ময়েং তাহল্লক্লিবা অসিনি। ঙসি লমদমসিগী লৈরিবা লোইশঙ খুদিংমক লৈরিবা সরকার অসিনা য়েংশিনবিদবদগী নোংমা নোংমগী লৈখা তারক্লি। তৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি মমিংতগী ওইনা লাইগী তৌদবা য়াদবা অমগুম্না উবা ফংলিবা অসিনি। ফেষ্টিভেল অসিনা হৌরকপদগী হৌনা মওং মরিল তাদবা থৌওংশিংনা শঙাইশিবু নিংথিনা য়েংশিনবী য়েংশিনবীদে হায়বসু উবা ফংলি। ষ্টেট অমগী ‘সি এম’ য়াওনা শিল লাংইবা থৌরমশিং মদুসু নোংমা নিনিখক্কী ওইদবা ফেষ্টিভেল অসিগী ডেকোরেসনগী ব্রাখল্লোন খন্থরুরগদি ইকায়নিংঙাই ওইরি। কন্ট্রি কয়াদগীসু শক্লাইরবী লম লমগী অখন্নবা কয়াগী মমাদাং শেন্নিবা মৈগী লৈতেংশিং তমথোক্কদবা ইবু ইকায়জরে। লাকইবশিং কয়াগী থম্মোইদা ফাওরমগদবা য়াম্না হকচিনবা ব্রারমশিং মশীং নাইদনা লৈরমগনি থাজে। লমদম অসিগী নিংথৌগুন্নবা সি এম গী ব্রাল অকোয়বদা শেম শারিবা মৈগী মোডেলশিং ইমুং অমগী মীওইশিংনা তৌরকপগা খেন্নদবা অসিনি। মসি লৈকায় অমখক্কী খুঙ্গং অমখক্কী মীওইশিংনা তৌবা অচম্বা থৌরম নত্তে হায়বসিনি। ফেষ্টিভেল অসিদা শক্লাইরবা লম লমগী মীওই কয়া য়াওরবসু খন্থবা-ঙমদবা লুচিংবশিংনা খন্থদবনা ওত্তান তাদ্রিবা মীওইশিংগী চহী নৌরিবা অঙাংগী পাংখক অমগুম্না শেম শারি। মতম অমদা লমদমসিগী প্রকৃতীনা পীরকখিবা ফজবা শক্তমশিং ঙসিদি তায়োন্ননা উহনবদা হৈ-শিংবা তান্নরক্লি। পাংথোক্লিবা ঙসিগী ফেষ্টিভেল অসি কনাগীনো করিগীদমক পাংথোক্লিবনো হায়বগী নুঙগী ব্রাহস্থোক করিনা তাকইবগে ? ঙসিগী পাংথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিনা লমদম অসি লৈখা তানা চিংথরবনি হায়বসি ককপা য়াররোইদবা অমনি। হৌখিবশিংগী ফেষ্টিভেল কয়াদসু তৌরিবা থৌওংশিং অদু থেংনখিবশিং অদুনা খল্লমগদবসি করিনো ?

*অদোমগী*
নোংমাইথেম তোমচৌ
কৈবুল লমজাও

*(ইন্দিয়াগী চৎনরিবা আইনশিং অসি নৌনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা লমায় অসি য়ুমশকৈশা নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা আইনগা মরী লৈনবা ব্রাফমশিং খুদোল তমজরি, অশোয়-অঙাম খুদিংমক শেমদোকপীরকপদা তরাম্না ওকচরি-এডিটর)*

# দি সেদ্যুল ত্রাইবস এন্দ অদর ত্রেদিসনেল ফোরেষ্ট দ্বেলরস (রিকগনিসন ওফ ফোরেষ্ট রাইটস) এক্ট, ২০০৬

**পি এচ বাগেশ্বরি**

লৈরিবা উমংশিং অমসুং উমংশিং অদুগী মনুংদা হিংদুনা খুন্দারিবা ত্রাইবেল মীয়াম হায়বসি অমগা অমগা শেৎতোক্নবা য়াদবা ফিভম অমদা মহৌশাদগী হিংদুনা লাক্লি। উমং অমসুং মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অসি উমং য়াওদনা হিংবা ঙমদবগা লোয়ননা উমংনসু মীওইশিং অসি য়াওদ্রগদি হিংবা ঙমদে। ইন্দিয়াদা মতম অমদা লৈরম্বা কোলোনিয়েল রুল অদুদা হেন্না শেন্থোক লৈনবগীদমক অমসুং মতমদুদা চৎনরম্বা ফিভমশিংগী মতুং ইন্না উমংগা উমংগী শরুক্তা লৈরিবা মীয়ামগা খাইদোক্নবা য়ারোই হায়বসি খঙবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়ানা নিং-খা তম্লবা মতুংদা লৈবাকসিগী লৈরিবা মহৌশাগী লনশিং অসি ঙাক-শেন্নবগীদমক পায়খৎপা থৌরাংশিংদা কোলোনিয়েল রুলগী আইনশিং অদু মখা তানা চৎথরম্বদগী মালেমগী থাক্তা চৎনরিবা উমং কন্নবা ব্রাফম অসি উমংদা লৈরিবা মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নদবা তারগদি ওইথোকপা য়ারোই হায়বা ব্রাফম অসি খঙলকখি। মসিদগী লৈবাকসিদা হান্নদগী চৎনরক্লবা ব্রাফমশিং অদু অমুক হান্না থবক্তা ওন্থোকপদা নত্তনা ত্রাইবেলশিংগী পুন্সি মহিং অদু কন্নবা অতোপ্পা পান্থৈ অমত্তা লৈতে হায়বসি খঙলকখি।

রিজর্ভেসনগী পোলিসি অমা শেমদুনা উমং লৈরিবা অমদি উমংবু ঙাক-শেল্লিবা ত্রাইবেল মীওইশিং অদুগী মতেং নত্তনা উমংগী পোৎথোকশিং অসি হেন্না ঙাক-শেন্নবা লম্বী লৈতে হায়বসি খঙলকখি। উমং ঙাক-শেন্নবগীদমক চৎথরকপা অমদি পায়খৎলকপা থৌরাংশিংদা উমংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী মথৌ অমসুং হকশিং অদু খঙখি অমদি মদুগী মখা তারকপদা ত্রাইবেলশিংগী মহৌশাগী পুন্সি মহিং অদু উমংগী মরী লৈননা শেম্বা তাই হায়বা ব্রাফমসি খঙলকখিবনি।

উমংগী পোৎথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পুন্সি মহিং লেল্লিবা ত্রাইবেলশিংগী কাংলুপশিং অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পোলিসি অমত্তনা ঙাক-শেন্নবা হোৎনদে হায়বসি খঙলকপগা লোয়ননা মখোয় খক্তগী ওইবা পুন্সি ঙাক-শেন্নবগীদমক মথং-মথং থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মথৌ তাই হায়বসি খঙখি। করিগুম্বা উমংগী শরুকশিং অসি ঐখোয়না ঙাক-শেন্দুনা থমগে হায়বা তারগদি উমংদুদা খুন্দালৈতাদুনা লৈরিবা মীওই কাংলুপশিং অসিগা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নরবা মতমদা উমং কন্বা খক্তা নত্তনা য়োকখৎপগী থৌরাংশিংসু চপ-চানা পায়খৎপা ঙমগনি হায়না লৌই।

মরমসিদগী পার্লিয়ামেন্টা উমংশিং লৈবগী তঙাইফদবা অমসুং উমং কন্দুনা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইবশিংনা উমংশিংদা লৈজবগী হকশিং অদু লৈহনগদবনি হায়বা হিরমসিদা য়াম্না মুন্না খল্লবা মতুং দি সেদ্যুল ত্রাইবস এন্দ অদর ট্রেদিসনেল ফোরেষ্ট দ্বেলরস (রিকগনিসন ওফ ফোরেষ্ট রাইটস) বিল কৌবা অমা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নখি।

মসিগী মরমশিংদি উমং কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা আইন অমত্তা লৈত্রবসু উমংদুগী মনুংদা লৈরিবা ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিংনা ঙাক-শেন্নবগী ব্রাফম কয়া অমা ইন্দিয়াগী অরিবা খুৎইদা থম্লম্বা ব্রাফম কয়া অমদগী খঙবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসি মীওই খরগী কোলোনিয়েল রুল ওইনা লৈরমখিবদু অরিবা অইবা লাইরিকশিং অমসুং চৎনবি কয়াগী মতাংদা ইরম্বা ব্রাফমশিং অদু পুথোক্তুনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা মখোয়গী তোঙান্বা ষ্টেট লিংনবা নত্রগা মখোয়দা নিং-খা তম্বা পীনবা ব্রাফম কয়া হৌদোরকখি। ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিং অসিগী লোল পীবা য়াবা থৌরমশিং খন্নরকপা মতমদা অচৌবা ব্রাথোক অমা ওইরক্কদবা লৈ।

মরম কয়াশিং অসিদগী ত্রাইবেল মীয়ামগীদমক রিজর্ভেসনগী পোলিসি কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিগী মতাংদা লৈবাকসিগী মনুংদা খুন্দারিবা ত্রাইবেলশিং অদুগী হক ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগীদমক থৌরাংশিং অদু পায়খৎপা তারবসু ম্যানমর লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইসরজেন্টশিংনা হেন্না খুদোংচাবা লৌখিবা য়াই হায়বগী চিংনবদু মমাংদসু মণিপুর সরকারগী লুচিংবা ওইরিবদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মসিমক্তদা মীয়াম্না ত্রাইবেলশিং অসি হকচিন্না মণিপুরীনি হায়না লৈবগী মহুৎতা মণিপুরগী ব্রাংমদা অমুক চৎখিবা মতমদা করিগুম্বা পুন্না চৎমিন্নরিবা মীওইশিংগী মতাংদা থোইদোক্লা হায়বা লৈতে।

বিল অসিনা পায়খৎনবা থন্নিবা ব্রাফমশিং অদু মখা তানা থবক্তঃ ওন্থোক্নবগীদমক তোঙান-তোঙান্বা ফন্দামেন্টেল ওইবা ব্রাফমশিং খনগৎলগা হায়রিবা বিল অসি থাগৎখিবনি।

# দি মনিপুর কঞ্জুমর প্রোটেক্সন রুলস, ১৯৮৯

***মমাং য়ুমশকৈশগী মখা....***

(৪) দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী মীফম ফম্বগী তঙায়ফদবা হেক লাকপদা প্রসিদেন্টনা কৌগনী।

(৫) ষ্টেট কম্মিশনগী থবক নৎত্রগা থৌওঙশিং অমত্তা মদুগী মেম্বরশিংগী মরক্তা অব্রাৎপা নৎত্রগা মদু শেম্বদা করিগুম্বা অশোয়বা অমা লৈখিবনা মরম ওইরদুনা চৎনবা য়াদবা ওইরোই।

(৬) ষ্টেট কম্মিশন্না মদুগী নোংমা নোংমগী থবক তৌবদা মতেং পাংনবা অমদি পাথাপশিং অসিগী মখাদা পীরিবা অদুগুম্বা থবকশিং পাংথোক্নবা নৎত্রগা প্রসিদেন্টনা শিন্নবা থবকশিং পাঙথোক্নবগীদমক ষ্টেট গবর্নমেন্টনা তঙাইফদবা তেংবাংনবা মী হাপকনী। অদুগুম্বা তেংবাংনবা মীশিংদা পীগদবা তলবতু ষ্টেট গবর্নমেন্টকী তাশিন্দুনা থম্লবা পুকৈদগী পীগনী।

(৭) মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপ্তুনা ব্রাকৎলিবা মীদুনা হায়রিবশিং অদু য়ারবদি ষ্টেট কম্মিশন্না ব্রাথোক অদুগী অচুম অরান অমদি পুথোরক্লিবা চুম্মী হায়না প্রমান তৌনবা ইশিন্দুনা থম্বশিং অদুগী য়ুম্ফমদা ব্রারেপ লৌগনী।

(৮) সেক্সন ১৩ গী মখাদা থবক চত্থরিঙৈদা ষ্টেট কম্মিশন্না কাঙলুপশিং অদুবু মব্রা তানবা তারিখ লেপ্লবদি, ব্রাকৎপা মীগা মায়োক্তঃ লৈবা কাঙলুপকা নৎত্রগা মদুগী ময়াবা পীরবা মীহুৎকীদমক্তঃ ব্রা তানবা অদুগুম্বা তারিখতুদা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা ব্রাতাবদু য়েথোকখ্রবা তারিখ অদুদা ষ্টেট কম্মিশনগী মমাঙদা কাফম থোক্লবনী।

ব্রাকৎপা মীদুনা নৎত্রগা মানা অয়াবা পীরবা মীহুত্তুনা অদুগুম্বা নুমিৎ অদুদা ষ্টেট কম্মিশনগী মমাঙদা কারকপা শোইরবদি ষ্টেট কম্মিশন্না নীংবা মতুং ইন্না ব্রাকৎ অদু অশোয়বা অদুগীদমক মখা তানা খন্নদবা নৎত্রগা ব্রাথোক অদুগী অচুম অরানগী মতুং ইন্না ব্রারেপ তাবা য়াই। মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপ অদুনা নৎত্রগা মদুগীদমক অয়াবা পীরবা মীহুৎ অদুনা ব্রা তানবা নুমিৎ অদুদা ষ্টেট কম্মিশনগী মমাঙদা কাবা শোয়রবদি ষ্টেট কম্মিশন্না ব্রাকৎ অদু নামতমক তারগা ব্রারেপ তাবা য়াই।

(৯) ষ্টেট কম্মিশন্না সব-রুল (৮)গী মখাদা থবক চত্থরিঙৈদা, মদুনা মসিনা ফগনী খনবা অদুগুম্বা ফীভমশিংদুদা অমদি থাংখাঙ অমদা হেক্তা, ব্রাকৎ তাবদু য়েথোকপা য়াই অদুবু খ্বায়গী ওইবা মওঙদা অমুক্তঃগী হেন্না য়েথোকপা তৌরোই অদুগা ব্রাকৎ অদুগী মতুং ইন্না পোত্তু খাইদোক খাইজেন তৌবা নৎত্রগা চাংয়েং তৌবগী তঙাইফদবা লৈরোইদবা ওইরগনা মায়োক্তা লৈবা কাঙলুপ অদুনা নোটিশ অদু ফংখিবদগী নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা অদুগা পোত্তু খাইদোক খাইজিন তৌবা নৎত্রগা চাংয়েং তৌবগী তঙাইফদবা লৈরগনা নুমিৎ ১৫০ নিগী মনুংদা ব্রারেপ পীগনী।

(১০) ষ্টেট কম্মিশনগী য়াথং অদু ব্রায়েন খুদাদু ( বেঞ্চদু) শারিবা ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বরশিং সহী তৌগনী অদুগা তারিখ থাগনী অদুগা কাঙলুপশিং অদুদা মমল য়াউদনা পীগনী।

৮। এপিল তাবগী থৌওঙ ( সেক্সন ১৫)

(১) এপিল তৌরিবা মীদুনা নৎত্রগা মহাক্কী অয়াবা পীরবা মীহুৎ অদুনা মশামক্লা ষ্টেট কম্মিশন্দা মেমোরেন্দম লানখৎকনী নৎত্রগা কম্মিশন্দা থুংফম ওইনা থারগা রেজিষ্টার তৌদুনা থাগনী।

(২) সব-রুল (১০) গী মখাদা থাবা মেমোরেন্দম খুদিঙমক পাবা থোক্কদবা মওঙদা খুৎনা ইদুনা, হেন্না পাম্বদি তাইপ নমথোক্তুনা, থাগনী অদুগা এপিল অদুগী য়ুম্ফমশিংদু মরৈ-মরাং য়াউদনা নৎত্রগা ব্রারীলীবগী মওঙ নত্তনা শম্না তশেং তশেংবা ব্রাহৌগী মখাদা খঙহনগনী অদুগা অদুগুম্বা য়ুম্ফমশিংদু মথং মনাউ নাইনা মশীং থাগনি।

(৩) মেমোরেন্দম খুদিঙমক মদুগী মায়োক্তা এপিল তৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরমগী চুম্মবনী হায়রবা মান্ননা শিন্দোক্নবা য়াথং অমগা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ব্রায়েৎশিংদুগী য়ুম্ফমশিংদুবু ঙাক্লৌ পীবদা তঙাইফদনা চঙবা প্রমান তৌবদা চঙবা অইবা চে-চাংশিংগা লোইনগদবনী।

(৪) এপিল অদু মতম অসুক্তগী চোন্থবা য়াদে হায়দুনা এক্টনা পীখিবা ঙমখৈদু হৌখ্রবা মতুংদা থাবা ওইরগদি মেমোরেন্দম অদু, এপিল তৌরিবা মীদুনা এপিল অদু মতম অসুক্তগী চোন্থখ্রবদি থাবা য়াদে হায়না পীখ্রবা মতমগী ঙমখৈ অদুদগী থেঙথনা থাবগী মতীক চাবা মরম লৈ হায়বসি অশেংবা ব্রাফমশিংদু খঙহন্নবা ব্রাশক-চে অমনা তেংবাং পীরবা দরখাষ্ট, অমগা লোয়নগনী।

(৫) ওফিসকী মরমশিংগীদমক এপিল তৌরিবা মীশক্তুনা ষ্টেট কম্মিশন্দা মান্ননা শিন্দোক্নবা মেমোরেন্দম মরি থাগৎকনী।

(৬) ব্রা তাবগী তারিখ নৎত্রগা ব্রাতাবদু য়েথোকখিবা অতোপ্পা নুমিৎ অমদা কাঙলুপশিং নৎত্রগা মখোয়গী অয়াবা পীরবা মীহুৎশিং অদু ষ্টেট কম্মিশনগী মমাঙদা কাফম থোকই। এপিল তৌরিবা মীদুনা নৎত্রগা মাগী অয়াবা পীরবা মীহুৎ অদুনা অদুগুম্বা নুমিত্তুদা কাবা শোয়রবদি, ষ্টেট কম্মিশন্না নাকল নামতগী ওইনা থবক চত্থগনী অদুগা এপিল অদুগী অচুম অরানগী য়ুম্ফমদা ব্রারেপ লৌগনী।

(৭) ষ্টেট কম্মিশনগী অয়াবখক্তদা নত্তনা, এপিল তৌরিবা মীশক অদুনা মেমোরেন্দম অদুদা হায়দবা ব্রায়েৎশিংগী য়ুম্ফম অমত্তগী ঙাক্লৌদা তাবিনবা তকশিনবা নৎত্রগা তাবিনবা তৌরোইদবনী অদুবু এপিলদুগী ব্রারেপ পীবদা মেমোরেন্দম অদুদা পীরিবা ব্রায়েৎকী য়ুম্ফমশিং অদুতদা নৎত্রগা পথাপ অসিগী মখাদা ষ্টেট কম্মিশনগী অয়াবা লৌরবদু খক্তদা ঙমখৈ ওইরোই,।

অদুবু ব্রারেপ অদুনা শোকহনবা য়াবা কাঙলুপ অদুদা ষ্টেট কম্মিশন অদুনা য়ামদ্রবদা অমুক্তং তাবিবগী খুদোংচাবা পীবিবা তৌদনা মসিগী ব্রারেপ অদু লৌবদা কম্মিশন্না অতৈ অতোপ্পা য়ুম্ফমশিংনা ঙাক্লৌ ওইরোই।

(৮) ষ্টেট কম্মিশন্না মদুম তৌফম থোকই হায়না খনবা ফীভমশিং অদুদা অমদি করিগুম্বা থাংখাঙ অমদা এপিল অদুগী ব্রা তাবদু য়েথোকপা য়াই অদুবু মহৌশাগী ওইবা মওঙদা অমুক্তগীদি হেন্না য়েথোক্লোইদবনী অদুগা অহানবা ব্রা তাবগী তারিখ অদুদগী নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা এপিলদুগী ব্রারেপ লৌগদবনী।

(৯) এপিল অদুদা থোকপা ষ্টেট কম্মিশনগী য়াথংদু ব্রায়েন খুদাদু শাগৎলিবা ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বরশিং অদুনা সহী তৌগনী অমদি তারিখ থাগনী অদুগা কাঙলুপশিং অদুদা মমল য়াউদনা পীথোক্কনী।

**মোইরাংথেম রাজেন্দ্র**